## মালেমগী অঙকপশিং

# লাইটহাউস ওফ অলেকজেন্দ্রিয়া



থোকপদগী কয়ারক কন্না শেমজিন-শাজিনখিবা লাইটহাউস অদুগী অৱাংবা মিটর ১১৮ নি। মদুগী মখোঙনা মিটর ৩০ গী স্কৱারনি।

কুমজা ১১৬৬ তা মফম অদুদা চৎতুনা য়েংশিল্লুবা অরব লমকোয়বা অবু য়ুসিফ মহমদ এল বলাৱিনা ফোঙদোক্লম্বা মতুং ইন্না নুঙ মকক-মকক শীজিন্নদুনা শাখিবা লাইটহাউসকী মথোল অহুম লৈরম্মী। মখা থংবা, ময়ায় থংবা অমসুং মথক থংবা শরুকশিংগী মওং মতৌ অমত্তা মান্নরমদে। লাইটহাউসকী মংঅন্দা খিনবা মিংশেল অমদগী অয়ুক-নুংথিলগী মতমদা নুমীৎকী মঙাল থক্তোরকই অমসুং নুমিদাংগী মতমদনা মৈ অমা থাল্লম্মী। বিল্ডিংগী চুইথেক মরিমক্তা ট্রিটোনগী অশাবা মুর্ত্তিশিং খিল্লম্মী অমসুং লাইটহাউসকী মতোন্দনা জ্যুসকী মুর্ত্তি খিল্লম্মী।

কুমজা ৭৯৬ তা লাইটহাউসকী মথক থংবা শরুক অদু অমাঙ-অতা থোকখি। চহী ১০০ রোমগী মতুংদা সুল্টান অহমদ বিন টুলুননা নীংখায়খ্রবা মথক থংবা শরুক অদুদা মসজিদ অমা শাগৎখি। ৱাফম অসি অরানবনি হায়না পল্লদুনা জিওগ্রাফর মহমদ অল-ইদ্রিসিনা হায়খিবদি কুমজা ১১১৫ দা মহাক্না মফমদুদা চৎলুবা মতমদা লাইটহাউসকী ফীভমদা অশোয়-অঙাম অমত্তা য়াওরমদে।

করিগুম্বা কান্দা ফারোস ওফ অলেকজেন্দ্রিয়া হায়নসু খঙনবা লাইটহাউস ওফ অলেকজেন্দ্রিয়াবু শাখিবা মতম অসি চাউরাক্না খৃষ্টতগী মমাঙ ২৮০ দগী ২৪৭ ফাওবগী মনুংদনি। টোলেমাইক কিংদমনা শারম্বা ফুট ৩৯৩ দগীনা ৪৫০ ফাওবা ৱাংবা টাৱর অদু মতম ফনা শাংনা মালেমগী খ্বাইদগী ৱাংবা টাৱর ওইরম্মী। অরিবা মতমগী ওইবা মালেমগী অঙকপা তরেৎকী মনুং চল্লবা ষ্ট্রকচর অদু কুমজা ৯৫৬ অমদি ১৩২৩ গী মরক্তা থোকখিবা তোঙান-তোঙানবা য়ুহার হাবগী থৌদোকশিংদা অমাঙ-অতা থোকখি। কুমজা ১৯৯৪ দা ফ্রেঞ্চ অর্কিওলোজিষ্টশিংনা অলেক-জেন্দ্রিয়াগী নোংপোক থংবা মফম অমদা লাইট হাউসকী অতেক-অকায় লৈহৌবা খরা থেংনখি।

নাইল দেলটাগী নোংচুপ থংবা চিদাইদা অপীকপা ঈথৎ অমা লৈরম্মী। মদুগী মমিং ফারোস কৌরম্মী। খৃষ্টতগী মমাঙ ৩৩২ দা অলেকজেন্দর দ গ্রেটনা ফারোসকী মায়োক্নবদা অলেকজেন্দ্রিয়া কৌবা সিটি অমা শেমগৎখ। মহাক্না সিটি অদুদগী ঈথৎ অদু ফাওবা শম্নহন্দুনা শরুক অমত্তা ওইনা পূনশিন্নহল্লম্মী।

খৃষ্টতগী মমাঙ অহুমশুবা চহীচাদা লাইটহাউস অমা মফমদুদা শাগৎখ। অলেকজেন্দর দ গ্রেটনা মশাগী চহী ৩২ শুরকপা মতমদা লাইহৌকন্না হৌরক্তুনা মশা ঙল্লক্তবদগী মতম খরা লায়কন্নরল্লগা শিখ্রবা মতুংদা অহানবা টোলেমি (টোলেমি ১ সুটর) না খৃষ্টতগী মমাঙ ৩০৫ দা নিংথৌ ওইখি। মহাক্না নিংথৌ হেক ওইবগা লাইটহাউস শাবা হৌহনখি অমসুং মচানুপা (টোলেমি টু ফিলাদেলফস) কী মতমদা শাবা লোইশিনখি। মখুৎ মশা হৈবা মীওই ৮০০ না চহী ১২ চঙনা শাখিবা লাইটহাউস অদুগী মওং-মতৌ য়েংলগা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা কোন্না লাইটহাউস কয়া শাগৎখিবনি।

লাইমষ্টোন মকক-মকক শীজিন্নদুনা শাখিবা লাইটহাউস অদুগী অর্কিটেক্ট সোষ্ট্রাটসনি হায়না থাজনরবসু ৱাফম অসি য়েৎননিংঙাই ওইবা মওংদা লৈরি। য়ুহার হাবগী থৌদোকশিংদা হঞ্জিন-হঞ্জিন অমাঙ-অতা থোকখিবনি।

তুংদা কুমজা ৯৫৬, ১৩০৩ অমদি ১৩২৩ দা অহুম্লক থোকখবা য়ুহার হাবগী থৌদোকশিংদা লাইটহাউসকী শরুক অয়াম্বা অমাঙ অতা থোক্লম্মী। মতম খরগী মতুংদদি মচেৎ-মচেৎ কেনখিদুনা কুমজা ১৪৮০ দা মশক উবা ফংখিদ্রে।

ফ্রেঞ্চ অর্কিওলোজিষ্ট জোন-ইভম এম্পররনা কুমজা ১৯৯৪ দা অলেকজেন্দ্রিয়াগী নোংপোক থংবা শরুক্তা লাইটহাউসকী লেমহৌবা মচেৎ শরুক খরা থেংনখি। হায়রিবা মচেৎ-মকায় পোৎলমশিং অদু কুমজা ১৯৯৫ দা হিথাংফম মনাক্তা থমদুনা মীয়াম পুন্নমক য়েংবা ফংহল্লম্মী।

য়ুনাইটেদ নেসন্স এদ্যুকেসনেল সাইন্টিফিক এন্দ কলচরেল ওর্গনাইজেসন্না লাইটহাউস লৈরম্বা অলেকজেন্দ্রিয়াগী সমুদ্র মপানবু ৱর্ল্ড হেরিটেজ লিষ্টতা য়াওহন্নবা হোৎনরি।

লাইটহাউস ওফ অলেকজেন্দ্রিয়াগী মরমদা খরদং :

❖ লাইট হাউস ওফ অলেকজেন্দ্রিয়ানা মালেমগী অহানবা লাইটহাউসনি।

❖ ফারোস ওফ অলেকজেন্দ্রিয়া হায়নসু খঙনবা লাইটহাউস অসি খৃষ্টতগী মমাঙ ২৮৫ দগী হৌরগা চহী ২০ চঙনা শাখি। মসিগী অৱাংবনা ফুট ১৩৫ রোম ওইগনি।

মী চিনবা অলেকজেন্দ্রিয়াগী হিথাংফমদা ললোন-ইতিক্কী চৎথোক-চৎশিন তৌবা জহাজশিংদা মায়কৈ তাক্নবা লাইটহাউস অসি শাখিবনি।

❖ য়ুহার হাবগী থৌদোক অহুমদা লাইটহাউস অসি অমাঙ-অতা থোকখিবনি।

❖ লাইটহাউস অসিগী মৈঙালবু সমুদ্রগী ঈয়ায়রোমদা কিলোমিটর ৫৫ লাপ্পা মফমদগী উবা ফংলম্মী।

## কমদৌনা ওইরকখিবগে ? মায় পাকখ্রবা মীওইশিং... - ষ্টিফেন কিং -

ষ্টিফেন ইদৱিন কিং (১৯৪৭ কী সেপ্টেম্বর ২১ দা পোকখিবা) অসি অমেরিকাগী হৌজিক্কী মতমগী (মহাক্কী মতমগী) হরর, সুপরনেচরেল ফিক্সন, সসপেন্স, গাইঅন্স ফিক্সন অমসুং ফেন্টাসিগী ৱারীশিং ইবা অইবনি। মহাক্কী লাইরিক কোপি মিলিয়ন ৩৫০ হেন্না য়োনখ্রে। মহাক্না ইবা ৱারী কয়া ফিচর ফিল্মশিং, মিনিসেরিজ, টেলিভিজন শোশিং অমসুং কোমিক বুকশিং ওন্থোক্লে। কিংনা নোভেল ৫৪ ফোঙখ্রে। মখোয়দুগী মনুংদা রিচার্দ বাচমন হায়বা পেন নেমগী মখাদা ইবা লাইরিক ৭ অমসুং নন-ফিক্সন লাইরিক ৬ য়াওরি। মহাক্না ইবা চাউরাক্না ৱারী মচা ২০০ রোম অয়াম্বনা বুক কলেক্সনশিং ওইনা লৈখ্রে। মহাক্কী ৱারী অয়াম্বা মহাক্কী হোম ষ্টেট মেইনদা য়ুম্ফম ওই। মহাক্কী নোভেল "রিতা হেৱার্থ এন্দ সোসেঙ্ক রিদেম্পসন" অসি "সোসেঙ্ক দিদেম্পসন" হায়রিবা ফিল্ম অসিগী হৌরকফমনি।

ফিল্ম অসি মতম পুম্বগী ওইনা খ্বাইদগী অতাংবা ফিল্মশিংগী মনুংদা অমা ওইনা লৌনৈ। মহাক ব্রাম ষ্টোকর এৱার্দশিং ফংখ্রে লোয়ননা ৱর্ল্ড ফেন্টাসি এৱার্দস অমসুং বৃটিশ ফেন্টাসি সোসাইটি এৱার্দশিংসু ফংখ্রে।

কুমজা ২০০৩ দা নেসনেল বুক ফাউন্দেসননা মঙোন্দা অমেরিকান লেট্রর্সতা তোপ তোপ্পা কনট্রিব্যুসন তৌবগীদমক্তা মেদ অমা পীখি। মহাক্কী ৱারী মচা "দ মেন ইন ব্লেক সুট" (১৯৯৪) না ও হেন্নরি এৱার্দ ফংখি।

জিং য়ু এসগী পোর্টলেন্দ, মেইনদা সেপ্টেম্বর ২১,১৯৪৭ তা পোকখ। মহাক্না চহী অনী শুরকপদা মহাক্কী মপা দোনাল্ড ইদৱিন কিং চুরুট উপু অমা লৈবা চৎপনি হায়জিল্লগা য়ুমদগী থোকখিবদগী হঞ্জিল্লকখিদে। মহাক্কী অখাঙ কনবী মমা নেলি ৰুথনা কিং অমসুং মহাক্কী অয়োকপা ময়াম্বা দেভিদপু শেল-থুমগী ওইনসু য়াম্না ৱাবা ফীভম কয়াগী মরক্তা কনামত্তগী মতেং লৌদনা চাউনবা য়োক্লকখি। ইমুং অদু হিংনবগী খুদোং চাগদবা মফমশিং থীবদা দি পেরে, ৱিসকোন্সিন, ফোর্ট ৱাইন, ইন্দিয়ানা অমসুং ষ্ট্রাটফোর্দ, কনেক্টিকটতা হোংখি। কিংনা চহী ১১ শুরকপদা মহাক্কী ইমুং অদু দুরহম, মেইনদা হল্লকখি। মফমদুদা কিংগী মমানা মহাক্কী অহল-লমনশিংবু (মমাগী মপা-মমা) শিদ্রিফাওবা য়েংশিনবীখ। মদুগী তুংদা কিংগী মমা ৱাখল লায়না লৈরবা মীওইশিংগী লোকেল রেসিদেন্সিয়ল ফেসিলিটি অমগী কিয়রটেকর অমা ওইরকখি।

অঙাং ওইরিঙৈদা কিংগী মমান্নবশিংগী মনুংদগী অমা ট্রেননা থোমদুনা শিখি অমসুং মদুগী থৌদোক অদুনা মহাক্কী তুংগী লাইরিক খরগী য়ুম্ফম ওইখি হায়না মহাকপু নৈনবা খরনা হায়নৈ। মহাক অঙাং ওইরিঙৈদা দুরহম এলিমেন্টরি স্কুলদগী লাইরিক তম্বা হৌখি অমসুং লিসবন ফোলস হায় স্কুলদা গ্রেজুয়েসন তৌখি।

মহাক ঙল্লিঙৈগী মতমদগী হৌনা অকি-অখংগী ৱারী, লাইরিকশিংদা থৱায় য়াওরকখি। কুমজা ১৯৭০ দা য়ুনিভর্সিটি ওফ মেইনদগী ইংলিসতা বেচেলর ওফ আর্ট গ্রেজুয়েসন ফংখি। কুমজা ১৯৭৩ দা কিংগী অহানবা নোভেল "কেরি" পব্লিসিং হাউস দবলদেনা মায় পাক্না ফোঙখি। অহানবা লাইরিক কেরি ফোঙবদা এদভান্স ওইনা দোল্লর ২,৫০০ পীখি। তুংদা কিংগী পেপরবেক রাইটসনা দোল্লর ৪০০,০০০ তানখি। মদুগী মতুংদা মহাক্কী মীয়াম্না পাম্নরবা মখল-মখা কয়াগী লাইরিকশিং ফোঙখি।

## ব্যুটি দাইরিজ - মেক অপ

# শেল চঙদনা শক ফজনবা অচম্বা পাম্বৈ খরা

মীপুম খুদিংমক শক ফজবা পাম্মী। মসিদসু নত্তনা উনশা, কুচু, মায়থোং, শাবান, শল্লাং অমদি ফিরোল ফজবা পামদবা কনাসু লৈরম্লোই। ফজবা হায়বদু ওইরক্নবা হোৎনবদা শেল অমদি মতম হায়বসি চঙদবা ইয়ামক য়াররোইদ্রা হায়না কনাগুম্বনা শোয়দনা হংনিংবা পোক্লমগনি। ৱাহং অসিগী পাউখুম পীবা ওইনা শেল ইচঙ চঙলোইদবা মওংদা লৌখৎপা য়াবা শক ফজনবগী অচম্বা পাম্বৈ খরা মখাদা থমজরি :





❖ নুমিৎ খুদিংগী ঐখোয়না শীজিন্নরিবা ক্লীঞ্জর খরা লৌরো অমসুং চিনি চামচ অচৌবা অমা য়ানশিল্লগা মায়দা মতম খরা তকপা-নানবা তৌরবা মতুংদা ঈশিং অচম্বনা শেংনা থাদোক্কদবনি। মসিনা মায়দা পকপা অমোৎপা অমদি অশিবা সেল পুন্নমক শেংনা লৌথোকপা ঙম্মী।



❖ ওলিভ ওইল চামচ অচৌবা অনীগা বেবি ওইল চামচ অচৌবা অমগা য়ানশিন্নরগা বোট্টল অমদা হাপচিন্দুনা থল্লো। মদুদা লশিং মচেৎ অমা লূপ্লগা মায়দগী মাস্করা, আয়লাইনরনচিংবা মেক-অপ পুন্নমক তৈথোকপদা শীজিন্নবা য়াই। মসি সাইদ ইফেক্ট লৈতবা মেক-অপ রিমুভরনি।

❖ শক ফজনবগী মতাংদা খ্বাইদগী ফবা থাউদি ওলিভ ওইলনি। খুবাক ময়ায়দা ওলিভ ওইল খরা হৈরগা তুম্লমদাইদা খুনিং অকায়বা মফমদা তৈদুনা মেসাজ তৌরগা লংজমগী খোঙ-মোজা অমা উপশিনগদবনি। নুমিদাং খুদিংগী থৌরাং অসি লৌখৎপা তারবদি চয়োল অমগী মনুংদা খুনিং কায়বা ফগনি।

❖ শক ফজবা হায়বসিদা শম ফজবগীসু মখা য়াম্না পোল্লি। শম্নবু ফজরবদি মায়থোংগী ফজবা খরমখৈ হেনগৎহল্লি। চম্প্রা মহীগা ঈশিংগা য়ানশিন্নরগা শমগী ফজবা হেনগৎহনবা য়াই। ঈশিং কপ তংখায় অমদা চম্প্রা অমগী মহী শুমজিল্লগা স্প্রেয়র য়াওবা বোট্টল অমদা হাঞ্জিন্দুনা চৎথোক খোৎতোক্লমদাইদা শমগী শরুক শীনবা থুংনা স্প্রে তৌদুনা কাপশিনবা মতমদা শমগী ফজবা খুদক্তা হেনগৎকনি।নুংশা মরক্তা নুমিৎ খুদিংগী চৎপদগী সনবর্ন তৌবা তারবদি এলোভেরাগা খোইহীগা চাং মান্নবা য়ান্নরবগা তৈশিন্দুনা মিনিট ২০ লোম থম্লবা মতুংদা ঈশিং অঙৈংবনা শেংনা চামথোকপা মতমদা থোৎ-থোৎ লাউনা ফজবা উনশা ওইরক্কনি।

## বট্টর, চনম শিজিন্নদুনা হৱাইমুক থোংবা

মসি চাক অমদি তলগা চাবা য়ারবা নুংতিগী শিজিন্নবা ইন্দিয়াগী হৱাই মথেলগী শরুক অমনি। অচৌবা মিল অমগী সাইদ দিস ওইনসু চাবা য়াই। বট্টরগী তোঙানবা মহাউ অদু হৱাই থোংবা লোইরবা মতুংদা ঘীদা মৱ্দ-মরাং ঙৌরগা শোক তৌরগা ফংহল্লি।

চঙগদবা পোৎচং ঃ

❖ হৱাই মুক কপ ৪

❖ ঈশিং অঙৈংবদা পুং অনী তিংলগা শেংনা চামথোক্কনি। য়াইঙং মকূপ চমচ তঙ্খায়, থুম খরা, ঘী টেবল চমচ ১ লাংগনি।

❖ নৎত্রগা বট্টর নৎত্রগা ভেজিটেবল ওইল জীরা চমচ তঙ্খায় ১, মোরোক অতেকপা অমা থাংনা শাংনা তাথোক্কনি। চনম মনাও খরা।

❖ তিল্হৌ অচৌবা ১ কৃপ্না শোইগনি। গরম মসালা নৎত্রগা মোরোক অঙাঙবা পাউদর খরা থমগনি।

থোং-থাকপা ঃ পাত্র অমদা হৱাই মুক, য়াইঙং অমসুং থুম হাপচিনবীরো, মদুদা ঈশিং কপ ৭ হৈজিনবীরো, মদু তপ্না শৌরক্লবা মতমদা খরা খরা ওৎপীরো। মৈ লৈথরগা মখুম হায়ফেৎ খুম্লগা পাথদনবা তোয়না ওৎকদবনি। মথক্তা তোংলিবা কোঙ্গোলশিং চীথোক্লগা হৱাই পেৎত্রিফাওবা হায়বদি মিনিট ৪৫ ফাওবা থোংগদবনি। চাং য়েংলগা (টেষ্ট তৌদুনা) থুম খরা অমুক হাপচিনবীরো। মহী ৱাৎলবদি খরা হাপ্লীবা য়াই। ময়ায় ওইরপকী মৈরীদা ঘী শাহল্লগা ঘী, চনম, মোরোক হাপচিন্দুনা মুন্দ্রিফাওবা ঙৌগদবনি। কাহনবা য়াদে। অসুম্না মিনিট ১ রোম ঙৌরগা তিল্হৌ অশোইবদু হাপচিল্লবা তিল্হৌ মুন্দ্রিফাওবা ঙৌগদবনি। মসিগী জীরা, মরোই মপাং অসি হৱাইদুদা শোক তৌশিনগদবনি। মৈ মুথৎলগা ইঞ্জাংদু পাত্র অমদা শংদোক্লগা গরম মসালা নৎত্রগা মোরোক পাউদরদু চাইশিল্লগা চাবা য়ারে (চাককা নৎত্রগা তলগা)।





Title: Midnight
By: Anjela Maibam
Class: IV Sec : A Roll No. 6
School: Little Flower School



Title: Diwali House
By: Lorena Yumnam
Class: II Sec : C Roll No. 21
School: Sishu Nistha Niketan



Title: Landscape
By: Pritam Raj Yumnam
Class: VI Sec : Roll No. 40
School: Maria Monteshori Sr. Sec. School



Title: Scenery
By: Dolly Yensembam
Class: V Sec : B Roll No. 45
School: Catholic School, Canchipur



Title: Landscape
By: Soubam Thoungamba
Class: V Sec: A Roll No. 33
School: Regular English High School



Title: Scenery
By: Barnashree Samom
Class: II Sec: Roll No. 4
School: Nirmalabas High School



Title: India Flag
By: N. Yaiphaba
Class: V Sec : Roll No. 11
School: Vale Academy



Title: Mermaid
By: Kh. Urvashi
Class: I Sec : Dimond Roll No. 3
School: Heritage Convent